# মালেমদা ক্নাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা



American Comic Marie Dressler



Charlie Chaplin



Mack Swain

- চার্লিগা Sennett কা শেল থানখিবা মতুং ইহান হান্না নম্বা ফিল্ম অদু চার্লিনা দিরেক্টর ওইজরে। মমিংনা Caught in the rain কৌই। অদুবু চার্লি শেল তিংখিদ্রে মায়থিবগী। Keystone Film না পুথোকপা ফিল্ম পূন্নমক্তগী মদুনা পুমহেন হেনখ্রে। মদু চার্লিনা Edit তৌবা ফাওবা শেন্নহৌবগী মপান্ননি।
- মথঙদা অমুক দিরেক্টর ওইবদগী হেন্দোক্তুনা মশানা ইবা ফিল্ম 'Twenty minutes of Love' হায়বদু নল্লে। Park খক্তদা নম্বা ফিল্মসু মদুনা অহানবনি। মদুদসু চার্লিগী এক্টিং ফজবা হেনগৎলে। মানা ঙাওশিন্নবা, নুপী নুংশিনবা হৌবা, Romance হৌবদু ওন্থোক্লা পকচখ্রে। মদুসু মায় পাক্লে।
- মথঙ মথঙ চার্লিনা মানা দ্রামা য়ুনিট Karno গীদা লৈরিঙৈগী Stage গী জ্ঞান অমদি থা খরা Keystone দা লৈরকপগী জ্ঞান পূনশিল্লগা পুথোক্লকপনা ফজবা সুম সুম হেনগৎলক্লে। অদুগী মথক্তা মাগা লম্বা ওইগদবা কোমেদিয়ান Mack Swain ফংবদা সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনখ্রে। চহী ১০ মখোয়নি লোয়নখি।
- মথঙগী ফিল্মশিং The Masquerader অমসু A Woman হায়বা অদুদদি চার্লি ফজনা শেৎ-চাবী নুপী শাখি। মাগী পুন্সিদা নুপী অহুল্লক শাখি। A Woman ফিল্মদা মানা শাখিবা নুপীদুগী মতৌদু মানমনখ্রদুনা ভাবোক পেন্নখি। মানা ৱাদি ঙাওদনা শাউগনবী, মনপ Skirt তা শিৎচিনবী, মথোঙ চাদবী নুপী অমা শাখিবনি। মানা উশিৎতবা নুপী অমা তান্নরমদাইদা মফি তাখৎতুনা চেন্নবা শেম-শাবদু মানখ্রবা জাৎনি।
- ফিল্ম অদুদা মানা নুপী শারে, মাগী লম্বা Mack Swain গী নুপী শারিবনি। ৱারীদি Mack না ত্রেন মনুংদা মাগী নুপীদু থওইদনা থনল্লগা ফজবী নুপী অমগী মতুং ইল্লগা চৎখিবনি। মদুদা চার্লিনা শারিবা নুপীসিনা তান্নবগী মওংনি। ওন্থোক্লা পকখ্রে হায়নখি। ফিল্মদুগী টেক্নিক য়াম্না থাগৎনখি।
- মথঙগী ফিল্ম The Knockout হায়বদুদদি Keystone না Advertise তৌবদা ফিল্ম চংনবগীদমক চার্লিগী মিং শীজিন্নরে। Chaplin fimls হায়না থারে।
- মথঙগী থা ৬কী মনুংদা হায়বদি ১৯১৪গী অরোইবা শরুক্তা চার্লিনা পূন্না ফিল্ম ১৬ নমখি মানা দিরেক্টর ওইরগা। মদুগী মনুংদা Reel অনীগী পুংখায় অমগী ফিল্ম ৪ য়াওরি।
- Dough and Dynamite ফিল্ম নম্বদদি চার্লিনা খরা হেন্না ফজহন্নীংদনা Dollar 1000 হেন্না চাদিং তৌরুরে। মদুদা শাউদুনা Sennett না মাগী দিরেক্টর ওইবগী Dollar 25 হাপ্পদু ফাজিন্দুনা থমখি। হেন্না চঙখ্রিবা পৈশাদু কৃপশিন্নবা ফিল্মদু Reel 2 গী ওইনা নম্বদা তারে। ফিল্মদু Keystone গী ফিল্ম পূন্নমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না তোংবা শেন্দোং ফংখি।
- হান্নসু হায়জখ্রে, চার্লিনা মশানা দিরেক্টর ওইজরগা হেক ফিল্ম নল্লকপদগী মীনা দিরেক্টর ওইবা অরোইবা ফিল্মসি Tillie's Punctured Romance হায়বসিনি। Sennett না দিরেক্টর ওইবনি। অরোইবা ফিল্ম ওইবদা নত্তনা ফিল্ম অসিখক্তনি চার্লিগী পুন্সিদা Supporting Role লৌখিবা। ফিল্ম অসিনসু ইহান হানবনি Comedy Film দা Feature Film ওনখিবা। মিনিট ৯০ শাংই।
- Feature Film অসিগী মতুংদা Tillie's Nightmare হায়বা অমমুক Sennett না নমখি। ফিল্ম অদুগীদমক মানা অমেরিকাগী মতমদুগী খ্বাইদগী মমিং লৈবী Comic personality Marie Dressler বু নেকখি। চয়োলদা দোল্লর ২৫০০দা। ফিল্মদুদা চার্লিসু Mabel Normand সু য়াওখি। ১৯১৪গী নবেম্বর ১৪দা রিলিজ তৌখি। ফজনা মমিং চৎখি।
- মশানা হেক দিরেক্টর ওইদুনা ফিল্ম নম্বা হৌখিবদগী Keystone Company থাদোকপা মতম ফাওবদা চার্লিগী লন্নাইগী পুন্সিগী ৱারী লৈখিদে। মথৌ চিনখিবনা মপান থোক্তুনা কোয়বা লংবগী ৱা লৈখিদে। মথৌদা পূক্নিং লুপ্তুনা লৈখি।
- Keystone গী নিয়ম কল্লি। Artist পূম্বা চয়োল অমদা নুমিৎ ৬নি পুং কয়া Studio দা থবক শূহল্লি। চার্লিসুনি। অদুবু মহাক্না নোংমাইজিংদা মাগী নুংশিনখিবী Peggy Pearce পু ফোন্দা ৱারী শাবদি তোকখিদে। অদুগা অমনা অমুক্তংখক শো অমা উৎলুবগী হনমিন্নরকপদা Mabel Normand বু Kiss তৌখি। মখাদি তানখিদ্রে। মরমদি মখোয়নীমক Sennett পু য়াম্না কিনা চৎলি। চার্লিদি নুমিদাং খুদিং Sennett কা হিপমিন্নরিবনি।
- Keystone গী লৈরিঙৈ মনুংসি চার্লি হোটেল অমদা ৱায়দুনা লৈ। মাদি শেল য়াম্না লীক্লা শীজিন্নে। মাগী খরচ হায়ববু Kissell Kar Roadster দগী কার ৱায়বগী অদুদনি। থাদা দোল্লর ১০০ খক্লি।
- মাগী ফিল্ম মমিং চৎলকপনা ১৯১৪গী জুনদদি ইংলেন্দা অহানবা ওইনা উৎপা হৌরে। Keystone না মাগী মিংদা Advertise তৌদুনা Are you prepared for the Chaplin Bloom? হায়না Advertise তৌখি।

-মথং-মথং

## নহাক করি খঙলে - অঙকপনা থল্লবা মীওইবগী হকচাং

- হকচাংদগী লেপ্তুনা এনর্জি থাদোরকই। পুংখায় অমদা হকচাংদগী থাদোরকইবা এনর্জিনা ঈশিং গেলোন তংখায় অমা ইরায় লায়না শৌহনবা ঙমগনি। হকচাংগী টেম্পরেচর দিগ্রী ৯৮.৬ তা লেঙদনা থম্নবা হোৎনবদা কেলোরি য়াম্না শীজিন্নথোকপা মথৌ তারকই।
- কোক্তা হৌরিবা শম্না অমখক্লা আওন্স ৩.৫ লূম্বা পোৎশক অমা থাংগৎপা ঙম্মী। অদুনদি মীওই অমগী মকোক্তা হৌরিবা শম্না ময়াম পুল্লপ পুনশিল্লগা কয়া য়াম্না লূম্বা পোৎশক থাংগৎপা ঙমগদগে হায়বদু ৱাখলনা অদুমক শাগৎপা য়ারে।
- মীওইবগী শল্লাংশিং মাঙ-তাকহনবা (তুমহনবা) ঙমদে। লৈনুংদা ফুমজিল্লবসু পৎথ-পুমথবদা মতম য়াম্না চঙই। নিংথম থাগী অঙৈংবা, কালেন থাগী অশাবা, ঈশিং, নুংশিৎ নৎত্রগা মহৌশাগী ওইবা শাফূ অমত্তনা শম্বু মাঙ-তাকহনবা ঙমদে। এসিদ নৎত্রগা কোরোসিভ কেমিকেল অমত্তনা শম্নাশিং তুমহনবসু ঙমদে।
- ঐখোয়না চাশিনখিবা চীঞ্জাক পুন্নমক চাকখাউদা য়াওবা হায়দ্রোক্লোরিক এসিদনা তুমহল্লি। এসিদ অসিনা মেটেল মখল কয়ামরুম্বুসু ইরায়-লায়না তুমহনবা ঙম্মী। চাকখাউগী অপাবা লাইনিংবু এসিদ অসিনা তুমহনখিবা মরম্না নুমীৎ হুমনি নৎত্রগা মরিনি খুদিংগী অনৌবা চাকখাউগী লাইনিং অমা শেমগৎলকই।
- চাংচৎতা মীওই অমনা নোংমদা ১৪ রক্কুম্বা নুংশিৎ খাইদোকই। ঐখোয়না চাশিন-থকচিনখিবা চীঞ্জাকশিং তুল্লকপা মতমদা গ্যেস থোরকই। হায়রিবা গ্যেসশিং অদু হকচাং মনুংদা অসুম ফাজিন্দুনা থল্লবদি অনাবা ওইরকই। মরম অদুনা নুংশিৎ খাইদোকপা হায়বসি মহৌশাগী ওইবা থৌওংনি।
- নাকোংগী ফীভম ফনা থম্বদা নাকোং নপথীনা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌই। কনাগুম্বনা নাকোং নপথী লৈবদা ইকাইবা পোকই। অদুবু তশেংবদি মসি নাকোংগী দিফেন্স সিষ্টমগী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। মসিনা নাকোংগী মনুং থংবা শরুক্তা মহীক-মতাং, অমোৎপা অমদি তীল-কাঙ লৈবা ঙমহন্দে।
- অঙাং ২০০০ খুদিংগী মনুংদা অমমমদি পোক্লকপদা য়া অমা হৌরকই।
- অঙাং অমনা মমাগী পুক্নুংদা লৈবা থা অহুম হেক ফারকপগা খুৎশা মমি (ফিঙ্গর প্রিন্ট) য়াওবা হৌরে। ফিঙ্গর প্রিন্ট হায়বসি মীওই অমগী পুন্সদা হোংবা নাইররোইদবা পোৎশক অমনি।
- ঈশৈ তাবা চৎলমদাই, নৎত্রগনা লাইরিক তম্বা চৎলমদাইদদি কা-হেন্না চাশিন-থকচিনবা খক তৌরোইদবনি। মরমদি ঐখোয়না কা-হেন্না চাশিন-থকচিল্লবা নাকোংনা তাবা ঙম্বগী চাং হন্থরকই।
- পোকপা কুইদ্রিবা অঙাংনা মমীৎ উদ্রবসু মমাবু ইরায় লায়না মশক খঙবা ঙম্মী। মসি মনমদগী খঙবা ঙম্বনি। মরমদি মীওই খুদিংমক্কী হকচাংগী মনম মান্নদে। জিন খেন্নবগী মতুং ইন্না হকচাংগী মনমসু খেন্নবনি। অদুম ওইনমক ঐখোয়না চারিবা চীঞ্জাক, শীজিন্নরিবা পোৎলম অমসুং অকোয়বগী ফীভম্নসু হকচাংগী মনম লেপ্পী।
- কোক মোৎলবদি হীক লৈরকপা য়াই হায়না মীওইবনা শেরান্ননা থাজনৈ। তশেংবদি হীকনা তরু-তনানবা কোক্তা লৈবনা হেন্না পাম্মী।







### ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ





## মীৎতা' ফজরবদি শকসু ফজনা উহল্লি



খ্বাইদগী ইহান হান্না মীৎতাফম ওইরিবসি মায়থোংদনি। মায়দা-চুম্বা, য়েংবদা নুংঙাইবা মীবু মশক ফজবা মীনি হায়না লৌনৈ। মায়গী খ্বাইদগী মরু ওইবা শরুক্না মীৎনি হায়না লৌনরি। মীৎনা উবগী মথৌ তৌবগী মথক্তা খোইরুম মোমোন তৌবা, কপ্পা, ৱাবা, হরাওবা, নোকপা পুন্নমক মীৎনা তৌরিবা ঙাক্তনি। অদুনদি খুল্লং লমন শিংবা ওইনা ঐখোয়গীদমক মথৌ অসুক য়াম্না চিল্লিবা মীৎপু ফীভম ফনা অমদি ফজনা থম্বা হায়বসি ইশা-ইশাগী হীক্তোকপা য়াদ্রবা ইথৌদাং ওইফম থোকই।

য়েকশিন তৈশিন্দুনা মীৎকী মকে শেম্বনা য়েংবদা ফজবা মালহল্লবসু পুক্নিং ইহুলগী অশেংবা মমিদি মেক-অপনা কৃপশিনখ্রগনি। মরম অদুনা খুৎশেমগী য়েকশিন-তৈশিনবা য়াওদনা মহৌশাগী ওইবা পাম্বৈনা মীৎপু ফজনা থম্বা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা থৌরাংনি।

মীৎয়েং-নায়েংনবু ফজরবদি চীনবান থোক্লা ৱাহে অমত্তা কাঙথোক্লুদ্রবসু ফোঙদোক্কে খল্লিবা পুক্নিংগী ৱা পুন্নমক কনাগুম্বা অমনা ইরায়-লায়না হেক্তা খঙবা ঙম্মী। অদুনবু হায়নরিবনি মীৎ হায়বসি নুপী ওইবীশিংগী খ্বাইদগী মতীক-ময়াই কল্লবা খুৎলায়নি হায়না। নুপীগী মীৎয়েং অমদা ৱাহন্থোক লিশিং-লিশিং য়াওই।

থম্মোয়গী অথূপ্পা পাউজেলবু মীৎয়েং অমনা ইরায়-লায়না পীবা ঙম্মী। মীৎকী নীংথিজরবা মতীক-ময়াই অমসুং মথৌদাংদি ৱাহৈনা শীংথাবদা খক লোইররোইদবনি।

ঙসিগী খুন্নাই অসিদা মীপুম খুদিংমক মথৌ চিনবনা হেনমনখিবদগী চাবা, থকপা, তূম্বা মতম নাইরক্তবা মরম্না মীৎকী মহৌশাগী ওইবা ফজবা পূন্নমক তপ্না-তপ্না মাঙশিল্লকপগুম তৌরে। মীৎপান অকোয়বদা মুশিন মুশিল্লকপা, মীৎপান চোন্থরকপা, মীৎ ঙাঙশিল্লকপা, মরেং-মরেং চৎপা, মীৎপান খুইজিল্লকপা অমসুং মখল কয়াগী খুদোংচাদবশিংনা মীৎকী ফজবদা তেমশিংনরক্লে। মসিদা কনাগুম্বনা অশোয়বা কুপশিন্নবনি হায়দুনা য়েকশিন-তৈশিন্দুনা ঙাইহাক্কী ফজবা মালহল্লবসু অমুক্লা হেন্না মীৎ অমদি মীৎপানগী ফীভম শোকচিলহল্লি।

শেল তিংনা লৈবা অকে-অমৌগী পোৎলমশিং শীজিন্নরগা মীৎপান অকোয়বগী ফীভম শোকচিলহনবগী মহুৎতা শেলসু ইচঙ-চঙদবা ইশানা য়ুমদা লৌখৎচবা য়াবা ইচম-চম্বা থৌরাংশিংদা ওইনা মায় ওনশিল্লসি।

মীৎপান অকোয়বা মুবা হায়বসিনা মায়থোংবু মতম পুন্নমক্তা ইচোক চোকথবা মালহনবগা লোয়ননা শক থীজিলহল্লি। মসিদগী কোক্লবা পাম্বৈদি কা-হেন্না ঈংবা ঈশিংদা লশিং মচেৎ অমা লূপ্লগা মীৎ মথক্তা মিনিট ৫ দগী ১০ ফাওবা থমগদবনি। অতোপ্পা অমনা পানা শোইরবা থবী মচেৎ অনী লৌরগা মীৎ মথক্তা ঙাইহাক থমগদবনি। মসিনা মীৎ ঈংহনবগা লোয়ননা মীৎপান মুবা ফহল্লি।

থবী মহীদা লূপ্লবা লশিংনা মীৎ মথক অমদি মীৎপান অকোয়বদা মিনিট ১৫ রোম থমগদবনি। চানাগী বেশোনদা চম্প্রা মহী অমসুং খামেন অশিনবা মহী য়ানশিন্দুনা শেম্বা পেষ্টনা মীৎপান অকোয়বদা পুংখায় অমরোমদা তৈশিন্দুনা থল্লবা মতুংদা লাশিং অচোৎপনা তপ্না-তপ্না তৈথোক-নান্থোকপসু অদুমক কান্নে।

ঈশিং অশাবা অমসুং অঙৈংবনা অমুক-অমুক শিন্নরগা মীৎপান মখাদা মিনিট ১০ রোম হীগা য়ৈরবা মতুংদা নুমিদাং তূল্লমদাই খুদিংগী লৈবাক হৱাইগী থাউগা চম্প্রা মহীগা য়ান্নরগা অমুবা মফমদা তৈশিনগদবনি। রোজ ৱাটরদা লূপ্লবা লশিং মচেৎ অমা উইশিল্লবা মীৎকী মথক্তা মিনিট ১৫ রোম থম্বসু কান্নে। মীৎপান অকোয়বগী অমুবা কোকহন্নবগী খ্বাইদগী ফরবা থৌরাং অসি মফম-মতম নাইদনা অদুমক লৌখৎপা য়াই।

মীৎপান অকোয়বা মুরবদি মীৎ ইকুৎ-কুৎপা মান্দুনা য়েংবদা শক থীবা মালহল্লি। মীৎ কুৎপা ফনবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বৈদি খোইহী চামচ অমদা লৈবাক হৱাইগী থাউ চামচ তংখায় অমা য়ানশিল্লগা তূল্লমদাই খুদিংগী তৈগদবনি। অতোপ্পা থৌরাং অমনা লৈবাক হৱাই মরূ মঙা নুমিদাংদা তীংদুনা থল্লমগদবনি অমসুং মথংগী অয়ুক্তা হেক য়াহৌরকপগা মকু খোক্তোক্লগা চাগদবনি। মদুগী মথংদা শঙ্গোম গ্লাস অথনবা অমা থকচিনগদবনি। মতৌ অসুম্না নুমীৎ ২১ নি লেপ্তুনা থৌরাং অসি লৌখৎপা মতমদা মীৎ কূৎপগী অৱাবা কোকখিগনি।

মীৎ ঙাংশঙ ঙাংবগা লোয়ননা ইপোম পোমখৎপা হায়বসিসু শক থীহন্নবগী অচৌবা মরম অমনি। খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগী পাম্বৈদি থবী নৎত্রগা আলুগী মহীগা তুলসি মনাগী মহীগা য়ান্নরগা মীৎপান অকোয়বদা তৈবনি।

অতোপ্পা পাম্বৈ অমনা রেফ্রিজরেটর মনুংদা থম্লুরবা অঙৈংবা চামচনা মীৎকী অকোয়বদা তপ্না-তপ্না নম্বনি। ঈশিং অঙৈংবা নৎত্রগনা আইস ক্যুবনা মীৎপান অকোয়বদা হীগা য়ৈবসু কান্নে। চা মনাদা য়াওবা মহৌশাগী ওইবা মচল অমনসু মীৎপান পোমখৎপা ফহনবা মরম্না চা মনা তীংলবা ঈশিংদা লশিংনা লূপ্লগা উইশিল্লবা মীৎ মথক্তা ঙাইহাক থম্বসু ফৈ।

মতমগী অওনবনা ঙসিদি কম্প্যুটরনা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌররে। কম্প্যুটরনা তৌবা ঙমদবা থবক অমত্তা লৈত্রে হায়না লৌবা য়াই। মসিগীসু মথক্তা অনৌবা মতমগী নুপীশিংনা খোঙউপ অমদি বেগতা ঙাওজবগুম মীৎতা লেন্স হাপ্পা হায়বসিসু তঙাই ফদবা অমা ওইনা লৌনরক্লে। অদুবু মথৌ তাবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎতনা পোৎলম অনী অসি শীজিন্নবনা মীৎকী ফীভমদা অকায়বা পীদুনা শক থীহন্নবগী মরম ওইহল্লকই হায়বসিদি থোইনা খঙনদবগুম তৌরি।

**কম্প্যুটর অমদি লেন্স শীজিন্নবদা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাং :**

- কম্প্যুটরগী স্ক্রিনদা মিনিট ৩০ দগী হেন্না য়েংলোইদবনি। ঙাইহাক-ঙাইহাকসু মায় লৈথোক্তুনা অথাপ্পা মফম অমদা য়েংদুনা শান্নগদবনি।
- কম্প্যুটর মমাঙদা ফল্লবদি য়াম্না তোয়না মীৎ কূপ্তুনা মীৎ ইকং কংহন্দনবা হোৎনগদবনি। ঙাইহাক-ঙাইহাক পোৎথারগা মায়দা-মীৎতা অফবা ঈশিং অচম্বা চাইশিনবসু কান্নে।
- মোনিটরগী অরংবদগী মীৎপু ঙাক-শেন্নবা গ্লাস অমা শীজিন্নগদবনি।
- কোন্টেক লেন্স শীজিন্নবশিংনা লৌখৎকদবা খ্বাইদগী অহানবা অমসুং মরু ওইবা থৌরাংদি লেন্সপু লূ-নান্না থম্বা হায়বসিনি।
- নুমীৎ নিনি-হুম্নি খুদিংগী লেন্সকী সোল্যুসন শিন্দোক্কদবনি অমসুং লেন্স লৌথোকপা খুদিংগী ঈশিং অঙৈংবনা মীৎ শেংনা চামথোক্কদবনি। মীৎলুদা রোজ ৱাটর দ্রোপ ২-৩ থাদবসু কান্নগনি।

## রোষ্টেদ চিক্কন কমদোনা শেমগদগে

**চঙগদবা পোৎচঙ :**

- এক্সট্রা ভর্জিন ওলিভ ওইল চামচ অমা মখায়
- চম্প্রা অমা
- কূপ্না শোইরবা বাসিল চামচ অমা
- কূপ্না শোইরবা রোজমেরি চামচ অনী
- থুম চামচ অমা
- চিক্কন পাওন্দ ৪/৫
- চনম অশুবা চামচ অমা



**শেম শাবগী মওং :**

- মাইক্রোৱেব ওভন অদু ফারনহিট দিগ্রী ৩৫০ দা থাদুনা থল্লো।
- ওলিভ ওইল, চম্প্রা মহী, বাসিল, রোজমেরি, থুম অমদি চনম তোৎশিন্নদুনা নাকলদা থল্লো।
- চিক্কন অদু কট্টিং বোর্দ অমগী মথক্তা থমদুনা উনশা মনুংদা অতোৎপা মিক্সচর অদু হাপ্লো অমসুং খুৎনা ইনশিন্দুনা মশা শীনবা থুংনা তৈহল্লো। চিক্কন অদুগী মথক্তা থুম অমদি মোরোক মকূপ খরা চাইশিল্লো।
- চিক্কন অদু পাত্র অমদা হাপ্লগা ওভন মনুংদা হাপচিল্লো অমসুং ফারনহিট দিগ্রী ১৮০ দা লৈখৎতুনা পুং ১ গা মিনিট ২০ লোম থল্লো।
- অদুদগীদি চিক্কন অদু লৌথরগা মকু খোল্লবা মতুংদা মচেৎ-মচেৎ শেৎলগা চাবা য়ারে।

মতৌ অসুম্না শেম্লবা রোষ্টেদ চিক্কনদা কেলোরি ১৯০, ফেট গ্রাম ১০ (সেচুরেটেদ গ্রাম ২), সোদিয়ম মিলিগ্রাম ৩০০, কার্বোহাইদ্রেট গ্রাম ১, প্রোটিন গ্রাম ২৩ অমসুং আইরন চাদা ১০ য়াওই হায়রি। অসিগুম্বা মখলগী রোষ্টেদ চিক্কন অসি মনম নুংশিনা মহাউ লৈ। মসিগা লোয়ন-লোয়ননা আলু অমদি কারোট খরসু রোষ্ট তৌরগা পুল্লপ চামিন্নবদা মহাউ হেনগৎলি।

## মালেমগী মকোক থোংবা মেথমেটিসিয়ন খরা



**লিওনার্দো পিসানো :** লিওনার্দো ফিবোনাসি হায়নসু খঙনবা লিওনার্দো পিসানো কুমজা ১১৭০ দগী ১২৫০ ফাওবা লৈরম্বা মালেমগী থোইদোক হেন্দোক্লা মমিং চৎলবা মেথমেটিসিয়ননি। ফিবোনাসি সিরিজ হৌদোক্লম্মী হায়বগীদমক ৱেষ্টর্ন ৱর্ল্ডনা শক্ক-শোন্নরিবা মীওই অসিনা অরাবিক নম্বরিং সিষ্টমসু হৌদোক্লম্বনি। অদুবু ৱাফম অসি ঙসিগী মীরোলনা কাউনখিবগুম তৌরে। অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি অয়াম্বা নোর্থ অমেরিকাদা লেনখিবা মীওই অসিনা মফমদুদা অরবিক নম্বরিং সিষ্টম তমখি। সিষ্টম অসিনা রোমান ন্যুমরেলদগী হেন্না লায় অমসুং শীজিন্নবা নুংঙাই হায়বা খঙলকপদগী মহাক্না অরব ৱর্ল্ডদা চৎতুনা মতমদুগী মকোক থোংবা মেথমেটিসিয়নশিংদগী মখা তানা তমথখি। কুমজা ১২০২ দা ইটলিদা হল্লক্লবা মতুংদা মহাক্না অরবিক নম্বরিং সিষ্টম হৌদোকখি। মতৌ অসুম্না মহাক্না অনৌবা মতমগী মেথমেটিক্স চাউখৎহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি।



**অলান ট্যুরিং :** কম্প্যুটর সাইন্টিষ্ট অমসুং ক্রিপ্টএনালিষ্ট অলান ট্যুরিংবু মীওই অয়াম্বনা ২০ শুবা চহীচাগী খ্বাইদগী ৱাখল লৈবা মীওইনি হায়না শীংথানরি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা বৃটেনগী গভর্নমেন্ট কোদ এন্দ সিফর স্কুলদা থবক তৌরম্বা মীওই অসিনা অরু অরুবা জর্মনিগী কোদ কয়া ইরায় লায়না খঙবা ঙম্নবা পাম্বৈ অমা পুথোক্তুনা লানগী মায়ওন হোংদোকহনবা ঙমখিবনি। লান লোইরবা মতুংদা মহাক্না কম্প্যুটিংদা মায় ওনশিনবা হৌখি। লান মমাঙদসু কম্প্যুটিং ষ্টাইল মেছিন অমা পুথোকপগী ৱাখল্লোন লৈখিবা মীশক অসি তশেংনা অহানবা কম্প্যুটর সাইন্টিষ্টনি হায়না লৌনরি। মতুং তারকপদা মহাক্না কম্প্যুটিংগী লমদা মশক থোকপা ৱারোল কয়া ফোঙলক্তুনা তুংগী মীরোলদা অচৌবা খুদোল অমা তল্লকখি। মহাক্না হৌদোক্লম্বা শীংথানিঙাই ওইরবা পাম্বৈশিংগী মনুংদা আর্টিফিসিয়ল ইন্টলিজেন্সকী ৱাফম অসিসু অমনি। মসিদা য়ুম্ফম ওইরগা শেমগৎপা ট্যুরিং টেষ্টনা ঙসি ফাওবা কম্প্যুটরশিং ইভালুয়েট তৌবদা শীজিন্নরি। কুমজা ১৯৪৮ দা মহাক্না দি জি চেম্পরনোন কৌবা মমান্নবা অমগা লোয়ননা কম্প্যুটর চেস প্রোগ্রাম পুথোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌখি।



**রেনি দেস্কার্টেস :** ফ্রেঞ্চ ফিলোসোফর, ফিজিসিষ্ট অমদি মেথমেটিসিয়ন রেনি দেস্কার্টেস কুমজা ১৫৯৬ তগী ১৬৫০ ফাওবা হিংলম্বা শীংথানিংঙাই ওইরবা মেথমেটিসিয়ন অমনি। ন্যুটন অমদি লীবনিজগা লোয়ননা মোর্দন কালকুলসকী য়ুম্ফম থোল্লম্বা মীশক্নি। মীওই অয়াম্বনা ষ্টেন্দর্দ গ্রাফ হায়না খঙনবা কার্টেসিয়ন জিওমিট্রি (স্কৱার গ্রিদ লাইন্স, এক্স অমদি ৱাই এক্সিস অসিনচিংবা) হৌদোক্তুনা মসিবু অলজেব্রাদা শীজিন্নবগী মওং শেমগৎলম্বা মীওই অসি তশেংনা শীংথানিংঙাই ওইরবা মেথমেটিসিয়ন অমনি। মসিদসু নত্তনা মহাক্না অলজেব্রাদা সুপরস্ক্রিপ্ট শীজিন্নবগী মওং হৌদোক্লমখি। মতৌ অসুম্না মোদর্ন মেথমেটিক্সকী শীংথানিংঙাই ওইরবা লময়ানবশিংগী মনুংদা রেনি দেস্কার্টেসসু অমনি হায়না লৌনরি।